# কম্মনৱেলথ জুদো চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী জুদোকাশিংনা গোল্ড ১১, সিলভর ৫ লৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস)ঃ
ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইদুনা হৌখিবা নবেম্বর ৬তগী ১০ ফাওবা জয়পুরদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী জুদোকাশিংনা গোল্ড ১১ অমসুং সিলভর ৫ লৌখ্রে।

কম্মনৱেলথ জুদো ফেদরেসন অমসুং জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা পূন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ অসিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা প্রী কেদেটসকী কেটেগোরিদা গোল্ড ৪ অমসুং সিলভর অমা লৌখি। কেদেটসকীদনা গোল্ড ২ লৌখি। জুনিয়রগীদনা গোল্ড ১ অমসুং সিলভর ২ লৌখি। অদুগা সেনিয়রগীদনা গোল্ড ৪ অমসুং সিলভর মেদল ২ লৌখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা জুনিয়র কেটেগোরিগী ওইনা নুপীগী কেজি ৭৮ মখাগী কেটেগোরিদা এম ইন্দুবলানা গোল্ড, কেজি ৫৭ মখাগীদা এল রুবিনানা সিলভর অমসুং কেজি ৪৪ মখাগী কেটেগোরিদা কে ঐচ রিনানা সিলভর লৌখি।

নুপীগী সেনিয়র কেজি ৪৮ মখাগী কেটেগোরিদা এল সুসিলানা গোল্ড, কেজি ৫২গী কেটেগোরিদা টি ঐচ কলপনানা গোল্ড, কেজি ৫২ মখাগী কেটেগোরিদা এন সরদানা সিলভর, কেজি ৫৭কী কেটেগোরিদা এ অনিতানা গোল্ড, কেজি ৫৭ মখাগী কেটেগোরিদা এল নিরুপমানা সিলভর, কেজি ৬৩গী কেটেগোরিদা ঐচ সুনিবলানা গোল্ড অমসুং কেজি ৭৮ মখাগী কেটেগোরিদা সী ঐচ জিনানা গোল্ড লৌখি।

কম্মনৱেলথ জুদো চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী এ সুরজিৎ মীতৈ অমসুং চীংখৈঙানবী হুইরেমসু কোচশিং ওইনা শরুক য়াখি।



# ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজরং পুনিয়া মালেমগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা নম্বর ৱান ওইবা ঙমখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী) ঃ
মালেমগী নুপাগী রেষ্টলরশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজরং পুনিয়ানা কেজি ৬৫গী কেটেগোরিদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

বজরং পুনিয়া চহী অসিগী রেষ্টলিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ, এসিয়ন গেমস অমসুং কম্মনৱেলথ গেমসতা মহাক্কী মশান্না অদুগী কেটেগোরিদা মেদল ফংবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অমনি। মশাগী চহী ২৪দা ঙাইরিবা বজরং পুনিয়ানা ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং পুৱারীদা মালেমগী নুপাগী রেষ্টলরশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা অহানবা থাক্তা লৈবা হায়বসি মহাক্না অহানবা ওইরি।

নীংশিংবা য়াই, রেষ্টলর বজরং পুনিয়ানা কুমজা ২০১৮ সিজন অসিদা পূন্না মেদল ৫ ফংখিবনি। চহীসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা বজরং পুনিয়ানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং ইন্দোনেসিয়ানা যূম্বু ওইরগা চহী অসিমক্কী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসকী নুপাগী রেষ্টলিংগী কেজি ৬৫গী ফ্রী ষ্টাইল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা বজরং পুনিয়া সিলভর মেদল অমা ফংবা ঙমখি।

মালেমগী রেষ্টলিং ফেদরেসন্না নৌনা পীরকপা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী রেষ্টলরশিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা পূন্না পোইন্ট ৯৬ ফংদুনা অতোপ্পা কেজি ৬৫গী কেটেগোরিগী রেষ্টলরশিং অদুদগী লানখৎতুনা ইন্দিয়াগী বজরং পুনিয়ানা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙমখিবনি।

হঙ্গেরিগী সিটি বুদাপেষ্টতা মমাঙগী থাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা রেষ্টলর বজরং পুনিয়ানা ফাইনেলদা মায়থীখিবা মেচ অদু নত্তনা মহাক্না কুমজা ২০১৮ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্টরনেসনল রেষ্টলিংগী কম্পিটিসনশিংদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা ঙাক্তনি।

বজরং পুনিয়ানা কেজি ৬৫গী নুপাগী রেষ্টলিংদা পোইন্ট ৯৬ ফংদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইদুনা লৈরিবা অসিগী তাঞ্জাদা ক্যুবাগী রেষ্টলর অলিজান্দ্রো এনরিক ব্লাদেস টোবিয়রনা পোইন্ট ৬৬ ফংলগা য়াম্না থাপ্না অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

পোইন্ট ৬২ ফংলগা রসিয়াগী রেষ্টলর অখমেদ সাকিপনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। অদুগা নৌনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরবা জপানগী টাকুটো ওটোগুরোনা পোইন্ট ৫৬ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি। ৫শুবদা টর্কিগী সেলাহাটিননা পোইন্ট ৫০ ফংলগা লৈরি।



# আই এস এলদা এ টি কেনা পুনে সিটি এফ সীবু থোইখ্রে



কোলকটা, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ঙসি কোলকটাদা শান্নখিবা ৩৩শুবা মেচতা যূম্বু ওইখিবা এটলেটিকো কোলকটানা পুনে সিটি এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে।

কোলকটাগী বিবেকানন্দ যুব ভারতি ক্রিয়ামগন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফুটবোল মেচ অদুদা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মমৈদা লৈরিবা এফ সী পুনে সিটি অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা এটলেটিকো কোলকটাগী টিমগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা অহানবা হাফ অদুদা থেংনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয়শিং চথরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙম্লনবা মখোয় মখোয়না হান্না লৈরিবা পোজিসন অদুদগী হেনগৎনবা হোৎনরকখি। এটলেটিকো কোলকটা ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা পোইন্ট ৭ ফংদুনা লৈরম্বনি। অদুবু মখোয়না ঙসি এফ সী পুনে সিটিবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা পূন্না মেচ ৭ শান্নবদা পোইন্ট ১০ ফংদুনা তরুকশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি। অমরোমদা, এফ সী পুনে সিটি মেচ ৭ শান্নবদা মেচ ২ দ্রো চৎলগা মেচ ৫ মায়থীদুনা টিম ১০গী টুর্নামেন্ট অসিদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি। এ টি কেগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু গর্সন ভিয়াররনা ৮২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# চাইনা ওপন বেদমিন্টন্দা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং কিদম্বী শ্রীকান্ট মায়থীহৌরে, দবলসতা রানকিরেদি অমসুং সেথি ক্বার্টর য়ৌখ্রে

ফুঝৌ, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী) ঃ
চাইনাগী সিটি ফুঝৌগী হায়জিয়া ওলিম্পিক স্পোর্টস সেন্টরদা পাঙথোকপা যূ এস দোল্লর ৭০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নুপীগী কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদা লৈবাক অসিমক্কী শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ত ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে। অদুগা ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী শান্নরোয় রানকি রেদি অমসুং চিরাক সেটি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইখিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু ঙসি সেমী ফাইনেল য়ৌনবগী লম্বা তৌনখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা চাইনাগী ৮শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী হি বিংজাওগা লম্বা তৌনবদা অকনবা লম্বা মায়োক্নরগা গেম ১-২দা মায়থীহৌখি।



অহানবা গেম অদু চাইনাগী হি বিংজাওনা সিন্ধুবু ২১-১৭তা থোইখি। অনীশুবা গেম ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা চপ মান্নবা স্কারদা ২১-১৭তা থোইদুনা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু য়াম্না মান্নবা মওংদা গেম অমমম থোইনরগা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুগা টুর্নামেন্ট অদুদা মঙোন্দগী সিদিংদা থাক হন্থরবসু মহাক্কী গেম অমা মুনবা ঙমখিবী হি বিংজাওনা অহেনবা মশান্না উৎলকখিবা অমদি মহাক মশামক্কী মায়কৈদগী অশোয়বা তাঞ্জা য়াওখিবা মরম্না অহুমশুবা গেম অদু ১৫-২১দা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলূপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী শ্রীকান্ট চাইনিজ টাইপৈগী মরিশুবা সীদেদ শান্নরোয় চৌ টিএন চেনগা লম্বা তৌনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী অশোয়বা সোট মশীং য়ামখিবনা মরম ওইরগা অহানবা গেম অদু ১৪-২১দা মায়থীখি। অনীশুবা গেম অদুদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কিদম্বী শ্রীকান্টকী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিদবা মরম্না অহানবা গেম অদুগী স্কোরগা চপ মান্ননা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় চৌ টিএন চেননা লাকশিল্লক্তুনা ইন্দিয়াগী শ্রীকান্টপু মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিক সাইরাজ রানকিরেদি অমসুং চিরাক সেটিনা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রানকিরেদি অমসুং চিরাক সেটিনা ঙসি শান্নখিবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র য়ুসুফ অমসুং নয়াকাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৪, ২১-১৫দা থোইখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী পেয়র অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা রাউন্দদা ৭শুবা সীদেদ পেয়র ওইখিবা এম কোনরাদ অমসুং এম পি কোলদিং মায়থীবা পীরম্বনি। মদুগী মতুং ঙসি ইন্দোনেসিয়াগী দবলসকী কাঙলূপ্তা মমিং লৈরবা পেয়র অমা ওইখিবা য়ুসুফ অমসুং নয়াকাবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী অতোপ্পা পেয়র এম অসান অমসুং সেটিৱানগা লম্বা তৌনগনি।

# হিরো আই লীগতা মমাঙগী চেম্পিয়ন মিনরভা পঞ্জাবনা আইজোল এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

আইজোল, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী) ঃ
হিরো আই লীগকী ঙসি মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা শান্নখিবা মেচ অমদা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চহীগী চেম্পিয়ন মিনরভা পঞ্জাব অমসুং যূম্বু আইজোল এফ সীগা শান্নবদা মিনরভা পঞ্জাবনা পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা টিম অদুগী অহানবা মায় পাকপা মেচ অদু ওইখি।

আইজোল সিটিদা লৈবা রজিব গান্ধী ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙসি আই লীগ অসিগী সিজন ২০১৭-১৮গী চেম্পিয়ন ওইখিবা মিনরভা পঞ্জাব অমসুং যূম্বু ক্লব ওইখিবা আইজোল এফ সীগা লম্বা তৌনখিবনি।

মেচ অদুগী হৌরকপদা মিনরভা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা আইজোল এফ সীগী হাফতা এটেক হৌরকখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা মিনরভা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী দি ইদাফেম্না পুশিল্লকপা বোল অমা মহাক্কী টিমমেট এল টোরেদা খাইরকখি। খুদোংচাবা অদু টোরেনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্বদগী য়াম্না ঙল্লিঙৈদা আইজোল এফ সীবু মিনরভা পঞ্জাবনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।



মেচ অদুগী অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতম অদুদা মিনরভা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা চনখিবা অদুনা মাঙজিল থারগা আইজোল এফ সীগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাহন্দুনা স্কোর বোর্দতা মিনরভা পঞ্জাবকী পাঞ্জল অমা অদুগা আইজোল এফ সীগী পাঞ্জল চনবা ঙমদনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ অদুদা বোল পায়বগী চাং য়েংবদা অহানবা হাফ অদুদা পাঙ্গল হেনখিবা মিনরভা পঞ্জাবকী শান্নরোয়শিং অদুনা অমুক্কসু বোল পায়বা ঙমখি। শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা মিনরভা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী দল্লিয়ু এসৈদুনা ফংখিবা বোল অমা আইজোল এফ সীগী গোল লাইন ময়াদা য়াম্না ফজনা খাইদোরকপদা মিনরভা পঞ্জাবকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা এল টোরেনা ফংদুনা আইজোল এফ সীগী গোলকিপর অদুবু মায়থীবা পীরগা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

যূম্বু ওইখিবা আইজোল এফ সীগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল অনী মিনরভা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী চথরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি।

অনীশুবা হাফকী লোইশিল্লকপগী তাঞ্জা অদুদা এফ সী পুনে সিটিগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেকশিং নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা আইজোল এফ সীগী শান্নরোয়শিং মপূং ফানা শান্নবা ঙমখি। মেচ লোইগদবা মতম লৈশিল্লক্ত্রবদা আইজোল এফ সীগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা বোল অদু মিনরভা পঞ্জাবকী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লকখি। মদুদা মিনরভা পঞ্জাবকী দিফেন্দরশিংনা শান্নবগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা বোল অদু কাওথোক্নবা হোৎনবদা পেনালটি অমা আইজোল এফ সীনা ফংখি। খুদোংচাবা অদু আইজোল এফ সীগী এল দোদোসনা পাঞ্জল ওন্থোক্লবসু মখোয় পাঞ্জল ১-২দা মায়থীহৌখি।

# ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর হরিকা ৱর্ল্ড ৱিমেন্স চেছ চেম্পিয়নশিপকী প্রী ক্বার্টরদা দ্রো চৎখ্রে



খান্টি মান্সিক, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী)ঃ
রসিয়াগী সিটি খান্টি মান্সিক্তা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড ৱিমেন্স চেছ চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকানা মমাঙদা চেম্পিয়ন ওইখ্রবী রসিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর আলেকজেন্দ্রা কোষ্টেনুখকা লম্বা তৌনবা মেচ অদুদা গেম অমমম থোইনদুনা লৈরি।

ৱিমেন্স ৱর্ল্ড চেছ চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী চেম্পিয়নশিপ অসিগী অনীশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইখিবী গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হম্পি অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখিবনি। মহাক্কী টিমমেট দ্রোনাভালি হরিকানা চেম্পিয়নশিপ অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা জিওর্জিয়াগী বেলা খোটেনাস বিলিবু পোইন্ট ২.৫-১.৫দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌরকপনি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ১২শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবা দ্রোনাভালিনা ৫শুবা সীদেদ রসিয়াগী আলেকজেন্দ্রা কোষ্টেনুক্কা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু দ্রো চৎখি। দ্রোনাভালি হরিকানা অমুবা মচু পায়দুনা রসিয়াগী কোষ্টেনুক্কা লম্বা তৌনখিবা ৱর্ল্ড ৱিমেন্স চেছ চেম্পিয়নশিপ অদুগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দ অদুগী অহানবা গেম অদু য়াম্না ফজবা মওংদা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নবা ঙম্বদগী রসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা লাকশিনবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি।

## শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস)ঃ কদপাদা থা অসিগী ২১দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়োনেক্স সন রাইজ ৩২ সব জুনিয়র অন্দর-১৩ নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়ানবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং খনখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবা খল্লবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং অদুদি মাটিক রোহে, ঐচ মালেমঙানবা, কে ঐচ অমরজিৎ, এল ব্রিক্সন, কে গুঞ্জন, সনানু মাইস্নাম অমসুং এলাংবম রুবিনা অমদি কোচ ওইনা হৈক্রুজম য়াইফবনি।

য়োনেক্স সন রাইজ ৩২ সব জুনিয়র অন্দর-১৩ নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়াগদবা ওফিসল অমদি শান্নরোয়শিংনা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী ওফিসতা নৎত্রগা কোচতা অয়ূক পুং ১০গী মমাঙদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এন শ্যামকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## যোগস্না চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়োগ ত্রেনিং এন্দ রিছার্স এসোসিএসন (দি ৱাই টি আর এ) ককচীংনা মণিপুর ষ্টেট যোগ এসোসিএসন ইম্ফালগী মীৎয়েং মখাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্কী ককচীং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচীংগী মীপূনশঙদা ২৬শুবা ষ্টেট লেভেল যোগস্না চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ ঙসি হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন সঞ্জিৎ কুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, দিষ্ট্রিক্ট য়োয ত্রেনিং এন্দ রিছার্স এসোসিএসন ককচীংগী চ্যেরমেন কে এস ঐচ মঙ্গিনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

২৬শুবা ষ্টেট লেভেল যোগস্না চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী টিম ৮/৮ ওইদুনা অপূনবা শান্নরোয় ২১৩না চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারি। চেম্পিয়নশিপ অসি হয়েং লোইশিনগনি হায়রি।

## কোন্থৌজম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) ঃ ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র কাংখূৎনা শীন্দুনা লোংজম জয়চন্দ্র (এম এফ এস) না স্পোন্সর তৌদুনা ৱাঙ্গৈই লোংজম লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা চথরল্লিবা তরেৎশুবা লেট এল কুবের সিংহ মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোক আউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কোন্থৌজম কেন্দ্রনা নপ্সোল কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১১-৭ত মায়থীবা পীখ্রে।

## টুর্নামেন্ট য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা লিলোং চজিংদা লৈবা রিজনেল কোলেজনা যূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১২দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ আর্চরি মেন্স এন্দ ৱিমেন্স আর্চরি টুর্নামেন্ট ২০১৮ খুদোংচাদবা খরদগী থা অসিগী ১৩দা য়ৈথোক্লে হায়না এম য়ু ইন্টর কোলেজ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স আর্চরি টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি বি সুর্জশর্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com